কোদোম্পোকপী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী অনৌবা প্লে ''অশেংবা শক্তম'' দা তারিবা মমি

- নানি

ৱারেং অসি ইজবা নুমিৎ অসিমক্তদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী ঐখোয়গী লমদম অসিদা লেপ্পুনা চথরক্লিবা লান অসিনা মীপুম খুদিংগী পূন্সিদা শাথিনা অয়েৎপা শাফু অমা পীদুনা লাক্লি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা চথরবা পূন্সিরোলগী মশক অমা অঙকপা মওংদা হোংখি। হীরম খুদিংমক্ত অহোংবা লাকপা অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরিবা আর্টকী থৌরম থৌশিল কয়া চপ লেপ্পুনা লৈরুরে। অদুবু হৌখিবা ওগষ্ট ২৫, ২০২৪দা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা কোদোম্পোকপী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী নৌনা পুথোক্পা প্লে ''অশেংবা শক্তম'' হায়বা মিনট ৮০ রোম শাংবা শেম সেক্স মেরিয়জ ইস্যুদা বেজ তৌবা প্লে অমা মায় পাক্লা অখন্নবা ওদিয়েন্সশিংগী মাঙদা উৎখ্রে। প্লে অদু শান্তো এমনা ৱারী ইরগা সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা পর্ফোর্মেন্স টেক্স শেমগৎপগা লোয়নননা দিজাইন অমদি দিরেক্সন পীবনি। ৱারী ইরিবা শান্তো ময়েংবম মমাঙদা সোর্ট ষ্টোরিগী লাইরিক কয়া অমা ফোঙথ্রবা শীংথানিংঙাই ওইবা রাইটর অমনি। প্লে অদুদা শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিংদি- এন রঞ্জিৎ (মপা), কে ঐচ ইন্দিরা (মমা), টি ঐচ দিনেশ (থম্বালতোন্বী), টি ঐচ সালিনি (রাশিতোন্বী/রাশিতোম্বা), এন অনিতা (ডা. তনাপ্পি), শান্ত (মাইমু), য়াইবী (মাইঙৌ), পুর্নাচন্দ্র (কুলাচন্দ্র)নি। প্লে অদুগী ম্যুজিক্লা সুর্জিৎ ক্ষেত্রি, মেক অপনা রত্না অমদি লাইট দিজাইননা রাহুলনা ওইরি।

অশেংবা শক্তম হায়রিবা প্লে অসি ইচম চম্বা, ঐখোয়না ঙাইহাক লৈতনা উনরিবা প্লেগী মশক্তগী খরা খজিক খেন্নবা উই। প্লে অদুনা লীরক্লিবা ৱারী অদু খরা তোঙাল্লি, অচৌবা ইস্যু অমদা বেজ তৌবা য়াম্না দেলিকেট ওইবা ৱারী মতা অমনি। মসি মালেমগী ওইবা ইস্যুনি। কনা অমত্তনা হৌজিকসু ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা, ঙমসু ঙম্লরোইদবা অমা মীয়ামদা দ্রামাটিক ইমোসন ময়াম অমা হাপ্লগা মপুং ফাবা প্লে অমা ওইনা পুথোরকপনি। ইশম শম্বা ৱারী হায়ববু, পোকপদগী নুপী ওইনা শাহৌরক্লবা, মমিংফাওবা থম্বালতোন্বী হায়না ওঙ্গরবা ফিজেৎ, মেক অপ, ৱাখল মীৎয়েং পুন্নমক নুপী ওইদুনা লৈরবা থম্বালতোন্বীগা পোকপদগী নুপা মান্না হৌরক্লবা রাশি কৌরম্বদগী রাশিতোম্বা হায়না মমিং ওঙ্গরবা নুপা ওইরবগা নোংমা ফোনদা শক খঙনবদগী নোংমা রেষ্টুরেন্ট অমদা উনখি। মখোয় অনী চেল্লে হায়না হোটেল অমদা লৈখি। রাশিতোম্বনা ময়ুম মমাদা ফোন তৌরক্তুনা নুপী অমা চেল্লক্নে হায়না পাউ পীরকখি। মমা-মপা অনীমক কোক ঙাওখি, করি থোক্লগাদৌরিবনো হায়না, ঙাইহাক্কী মতুংদা রাশিতোম্বা ময়ুমদা শাউনা হল্লক্লগা, মহাক্না চেল্লক্লিবদু নুপানা শাবা নুপী ওইরম্লে, ময়ুমদা হৌজিকমক থিন্নবা তৌ হায়দুনা হায়খি। চেল্লক্লবসিবু করম্না অথেংবা অহিংসিদা থিল্লুগদৌরিবনো হায়না মমানা হয়েং অয়ুক হায়দোকপা চৎনবা মপাগা ৱাতানরগা ইমুংদা পুশিনখি। মখোয় অনী অহল-লমনশিংনা য়ানবগী মতুং ইন্না নোং হেক ঙানবগা লুহোংবীরে। অদুবু মতম খরগী মতুংদদি নুপা শারম্বা রাশিতোম্বদু মীরোল্লকখি। অঙাং অদু অমুক মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা মমা-মপানা য়াদবদগী অঙাং অদু নমদুনা পোকখি। অঙাং পোক্লবা মতুংদা নুপী শারম্বা থম্বালতোন্বীসু নুপা ওন্দুনা থম্বাল ওল্লে। নুপা ওইরম্বা রাশিতোম্বসু নুপী ওন্দুনা রাশিতোন্বী ওল্লে। মশা-মশাগী অশেংবা শক্তম অদুদা হঞ্জিল্লক্তুনা মচা অমগী মমা-মপা ওইদুনা য়ুম্বান লম্বীদা নে-তাবা পূন্সিরোল অমদা চঙশিল্লকখিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওই। লীলা অসিগী ৱারী ইরিবা শান্তো এমদা তোপ তোপ্পা মীৎয়েং অমা লৈরি। মহাক্কী মীৎয়েং অদুনা চাউরাক্লা য়েংলকপা অমদি ওইহন্নিংবা শক্তম অদু তানবা ইবনি। অদুবু মালেমগী ওইনা লৈরিবা জেন্দর ইস্যু কয়া অসিদি হৌজিকসু ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদদুনা লৈরিবনি। সেম সেক্স মেরিয়জ অসি অতৈ লমদসু অদুম থোকই। সেম সেক্স ওইবনা মচা ফংবগী খুদোংচাবা লৈত্রবসু মরী মখোঙ শেংবা অঙাং অমা অদোপ্ট তৌদুনা মচা ওইনা য়োকচদুনা য়াম্না নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা চঙশিনবা ইশামক্লা থেংনরকপা ৱারীসু লৈ। ২০০৩দা কোলকাটাদা হোল্লিরুন্দকী ষ্টার রিচার্দ গেরেনা স্পোন্সর তৌবা অমেরিকান কন্স্যুলেটনা ওর্গনাইজ তৌবা নুমিৎ মঙানিগী ৱার্কশোপ অমা তাজ হোটেলদা পাঙথোকখি। মদুদা মালেমগী লৈবাক ১৪গী আর্টিষ্টশিংনা (মরু ওইনা ফোক ত্রেদিসন) না শরুক য়াখি। মদুদা লাইবক ফংবদগী ঐহাকপুসু য়াওনবা ইনভাইট তৌরক্তুনা শরুক য়াজবা ফংখি। মদুদা রিচার্দকী হেক মনাওনুপা দেবিদ গেরে, মতমদুদা মহাক কালিফোর্নিয়া য়ুনিভর্সিটিদা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইনা ওজাগী শিনফমদা লৈবনি। মহাক অমদি মহাক্না সেম সেক্স ওইনা য়ুম্বানমিন্নদুনা লোয়নরিবা মীশক অমসু স্পোন্সর তৌরিবগী মায়কৈদগী শরুক য়াখি। মহাক্না লাকমিন্নরিবা মীশক অদুগী মমিংদু ঐ কাউখ্রে, দেবিদনা ৱারী ওইনা লীরকপদা মখোয়গী এদোপ্টেদ মচানুপা অপীকপা অমসু লোয়নরকখি। অঙাং অদুসু নোংমা পুরক্তুনা ময়ামদা শক তাকখি। নুপী ঙাক্তনা নুপী লৌবা চেনবগী ৱাথোক থোকপা ঐখোয়গী লমসিদা লৈ। মসি লৈকায় খুদিংমক্তা শুনা লৈত্রবসু, নুপীনা নুপা শাবা, নুপানা নুপী শাবা, মশা-মশানা নুপানি/নুপীনি হায়না খঙ্গরম্বা য়াম্না লৈ। মমা-মপাগী ৱারক-চৈনা মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং হোংহনবা ঙমদ্রবা কয়া অমা লৈ।

কোদোম্পোকপীগী হন্দক্কী প্লে অসি মসিগী ইস্যু অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎপা প্লে অমনি। ওইরিবা ফীভম অদু ফৈ/ফত্তে, চুম্মী/লাল্লি হায়বা অমত্তা নত্তে। প্লে অদুগী প্লেরাইট শান্তো এমনা মীমাঙদা পুথোকপা য়াবা ইস্যু খরা অদুক নৈনদুনা ইরকপনি। মদু অমুক দিরেক্তর ইন্দ্রকুমারনা ফম্বাক্তা থাঙ্গত্তুনা কুম্মৈ অমা ওইনা মহাক্কী দিজাইন হাপ্তুনা প্রজেক্ট তৌরকপনি। লীলা অদুগী মপাঙ্গল অয়াম্বা টেক্স অদুনা পী। অয়েংবশিংনসু ওইহল্লক্লিবা অমদি ওইরক্কদবা কয়া ইখৌ লাংনা ঙাইদুনা মীৎ কুপ্তুনা য়েংই। উৎখিবা প্লে অদুগী মতাংদা ঐগী অচম্বা মীৎয়েং খরা থমজবা তারবদি, মায়কৈ অমা অনী থোক্লা লীলাদুগী ৱারম খরদা পঙ্গনিংই। প্লেরাইটস লিটরেরি টেক্স, দিরেক্তর্স দিজাইন, এক্টর্স পর্ফোর্মেন্স অমদি টোটেলিটি। প্লেদু কনাগুম্বনা হায়গনি কোমেদি প্লেনি/হুমরস প্লেনি হায়না। মদু মাগী মাগী ৱাখলগী ফিরেপ্পি, প্লে অসিমক্তি য়াম্না সিরিয়স ওইবা প্লে অমনি। অইবা অসিগী হেন্না ফজরিবা মশক অসি মহাক্কী প্লে অসিদা শীজিন্নরিবা টাইম-প্লেস-সিচ্যুএসন, কেরেক্টর্স, প্লোট্টিং, দাইলোগ অমদি শেমগৎলিবা ইস্যু/প্রোব্লেমশিং অসিনি। মসিদা প্লেরাইট অসিনা য়াম্না নীংথিনা অমদি কা হেন্না ৱাখলগী মরেপ লেপ্পুনা ইচম চম্বা মওংদা ইস্যুশিং অদু মাঙদা পুথোরকই। মীবু নমদুনা নোকহনবা অমদি ফাগী তৌরগে হায়না তৌদবা য়াম্না রিএলিষ্টিক অমদি সিচ্যুএসন অদুনা নমদুনা পুরকপদা ৱাগী ৱাপা চানা চানা কেরেক্টরশিংনা মহাক্কী মথম্মোয়দা য়াম্না লুনা হকচিন্না লৈবা অদু ইরায় লায়না হায়দোরকপদা সেন্স ওফ হুমরস মহাও অমা পীবনি। চেকশিন্না য়েংলিবা ওদিয়েন্সশিংগী মরক্তগী মদু ফাগী অমনি হায়না লৌবা ঙমদবা য়াওরিবা অদু প্লেরাইট অমদি প্লে অদুবু মুন্না খঙলগা দিজাইন তৌরিবা দিরেক্তরগী মায় পাকপা অমনি। প্লে অসিগী ওরিজিনেল টেক্সতা লৈরিবা, হায়নিংলিবা থম্নিংলিবা অদুদি শোক্তনা দিরেক্তরনা খরা খজিক মোন্থোক-মোনশিন তৌরে। থোইদোক্লা কায়দে, লিটরেরি টেক্স হায়বা অমা পর্ফোর্মিং টেক্স হায়বা অমা লৈবনিনা মদু দিরেক্তরগী মীৎয়েং মফম হোংদোক হোংজিন্নচিংবা খরা সত্রংগী পোগুম শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবা হায়বসি অদুম চৎনৈ, য়ানৈ। প্লেরাইট অসিগী মতাংদদি খরা হেন্না কুপ্না য়েংলগা নৈনবা য়াবা য়াম্না লৈরি। মতাং চাদবনা মদু তুবৎ নাতে শমজিঞ্জরে। এক্টরশিং থৱায় য়াওনা শান্নবা উই। অদুবু লৈরল্লিবা সার্কমষ্টেন্স অদুগী লাইন অদুনা মপাঙ্গল হেন্না কনখিবনা এক্টরশিংনা মেংথরকপা অদু ইরাই লায়না চিংখৎলি। লীলাসিগী এক্টর থিবা ৱাগনি, অমনা হেক্তা কুম্বদা খরা লুগনি, মায়কৈ অদোমদা য়েংলগদি মরু ওইবা রোল লৌবিখিবা এক্টরশিংবু থাগৎচনিংই। অদুবু লীলাগী পরিংদা হেন্না চঙশিনগদবা লৈরি, থনোপ-থনোপ্পা য়াদবা মতাং য়াম্না লৈরি। মদুৱাইদুদা হেন্না চেক তৌবা মথৌ তারি। এক্টর খরদি পুন্নৌ হায়বা তারে, প্রদক্সন অমদদি ঐদি নৌজরিবনি হৈজদ্রিবনি হায়বসি য়ানিংঙক্তবা মতাং লৈবনা খরগা হেন্না থৱায় য়াওবা য়ারি। মায় মীৎ থম্ফম হেক খঙলক্তবা, ঙাংগদবা দাইলোগ ঙাইবদা ৱাবদু অয়েংবশিংনদি ইরাই লায়না উই। মদুগী অহোবা থমদনবা হোৎনহন্নিংই। এক্টরশিংনা রিহার্সেলদা দাইলোগ ঙানবা, চৎফম লেপফম থিবগুম্না প্রোপ কম্না শীজিন্নগনি, কম্না মেনেজ তৌগনি, ম্যুজিক অমদি লাইটকা করি মরী লৈনবগে হায়বা অদুসু রিহার্সেলদা য়াওশিল্লগদি হেন্না ফগাৎলকখিগনি। লীলাসি মপুম ওইনা য়েংবদা নুংঙাইরে হায়নিংলগসু কন্দাইৱাইদনো অমদি কারন লাক্কদবা ৱাৎপা মানবা অমদি ইয়াওদা য়াওদুনা লৈরি। সিগী ৱারম খজিকসিনা লন্নাইগী ৱা ওইরবসু লীলাসিমদি চৎনবা য়ানা ফরে হায়বসিমসু চিংথিহৌবা য়াদনা থম্মোয় শেংনা হায়জরি। অসিমসু থাজে, হৌজিক লৈরিবা কোদোম্পোকপী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী লীলা তৌনিংবগী টেম্পো অসিনবু হন্দ্রবদি শীংথানিংঙাই ওইবা থিয়েটরগী গ্রুপ অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না।

নম্বাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নম্বা ফাল

ৱাথোকসিগী খোঙ্গুল লীগদৌরিবা, পুন্না হিংমিন্নবগী লম্বী উৎলিবা লীলা 'দ থর্দ মে' গী রিহার্সেল হোল চঙলুবদা

শুমাং লীলা মণিপুরগী অরিবা ত্রেদিসনল আর্ট ফোর্ম অমনি, মীদিয়া অমনি। মসিনা মীয়ামদা ঈ-পাউ কয়া পীবদা নত্তনা এদ্যুকেসনসু পীরি। মতম-মতমগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি ইস্যু কয়া শুমাং লীলাদা পুথোরক্তুনা মীয়ামদা য়েংহন্দুনা ৱাখল তাহল্লি। শুমাং লীলাদি লাইনিং-লাইশোলগী লম্বীগসু য়াম্না নক্না চৎলিবা আর্ট ফোর্ম অমনি। মতম-মতমগী পাউজেল কয়া পুবা লীলাশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি- অবির খান, অরোইবা খোঞ্জেল, ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টর, লিদিসিগী গুলাপ, গুস্মোগী খুদোল, মৈগী চীং, নিঙোল চাক্কৌবা, লুচিংবা, সনাগী চীং, কৈদৌবৈ কিদোইনো কোরোনা, ইরৈবাক্কীদমক হায়রিবশিংসি পনবা য়াই। লমদমসিদা অকনবা কোরোনাগী ৱেভনা মীয়াম্বু ঙমখৈ লৈতনা ৱাহন্দুনা য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকপা কিন্দুনা লৈরবা লোয়নননা ভেক্সিন কাপ্পসু মহয়-মহয় কিন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদা মণিপুরগী শুমাং লীলা আর্টিষ্টশিংনা পুথোরকখিবা লীলা অমনি 'কৈদৌবৈ কিদোইনো কোরোনা'। লীলা অসি মীয়ামদা পাক শন্না উৎপদগী মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পরকখি। অসুম্না কোরোনা লায়চৎনা খরা-খরা শাফরক্লবা মতুং শুমাং লীলানা মরাই হাইগৎলক্তুনা মীয়ামগী থৌগল খরা খরা চৎপা হৌগৎলকপগা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাংসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী শুমাং লীলা আর্ট ফোর্মসি পুল্লেপ লেপ্পুনা লাক্লি।

শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং খম থেংনা ৱানরক্লি। ৱারবসু ৱানা আর্টিষ্টশিং অসিনা মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবগী অপাম্বা অমদি থৌনা অদুদি হন্দ্রি। মতাং অসিদা লাই ওইখ্রবা লীলা ইবা ওজা জি সী তোংৱানা হায়রম্বা ৱাফম অমা নীংশিংবা য়াই। মহাক্না হায়রম্মী, 'শুমাং লীলা হায়বসিদি খুন্নাই অসিগী সাপোননি। মসিনা খুন্নাইগী ফত্তবা অমোৎপা পূম্নমক চামথোকপা ঙম্মী'। ৱাফম অসিমক অচুম্বা ওইরক্লি। অদুঙৈ লমদমসিদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা নিংথৌগী মায়োক্তা হায়বা-ঙাংবা ঙমদবা নিংথৌ অমদি লৈঙাক্লোয়শিংগী অশোয়বা কয়া ফাগী লীলাদা পুথোক্তুনা মদুবু শেমদোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। অমরোমদা ঙসিসু অঙম-অথৌশিং অমদি মীয়ামগী অশোয়বশিং শুমাং লীলাদা উথোক্তুনা মীয়াম্না শেমদোক্লবগী তাঞ্জা পীদুনা লাক্লি। নাগা-কুকি অনীগী লানগী মতমদসু 'মৈগী চীং' অমদি 'নিঙোল চাক্কৌবা' হায়বা লীলাশিং পুথোক্তুনা কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশিবগী লীপুন্না পুন্নবা হোৎনখি। মতম খরা তুমীন্না লৈবা মাল্লুরবসু হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাংসিদা য়ূম্ফম ওইরগা শুমাং লীলা অমা 'দ থর্দ মে' মিংথোন্দুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা পুথোক্কদৌরি। ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা প্রেস সো উৎকদৌরিবা লীলা অসিগী রিহার্সেল হোলদা ঙাইহাক চঙলুবদা লীলা তম্নল্লিবা মওং অঙকপগী মশক্লি।

মশক নাইরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট ১৮গা ম্যুজিসিয়ন ৯ লোমগা পুন্না আর্টিষ্ট ৩০ রোম্না শরুক য়াদুনা অয়ুক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা অকনবা রিহার্সেল চথরম্মী। ইরৈবাক কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পুথোক্কদৌরিবা লীলানি। লীলা অসিগী অইবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানি। অদুগা দিরেক্সন পীরিবনা শৌগ্রাকপম হেমন্তনি। লীলা অসিগী পান্দমদি লৈবাকসিদা ঈংথনবা খোল্লাওনি, চাওখৎপা পাম্বশিংগী থৌনানি। পুন্না হিংমিন্নবগী লম্বীনি। আইদিয়া ওফ মণিপুরগী কাঞ্জুলনি। ওইজবা থীবশিংবু মায়থীবা পীনবা অপুনবগী মশক উৎপা হায়বসিনি।

লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি, লুখ্রাবী মচা লিংজেলথোইবী ওজা ইবুংঙোবা অমদি চীংলেন্বী অনীগী নাইতোম পোকচবা মচা পিবা সনামতুমগী লুহোংবা মতম লেপ্লে। কালেনগী ১৪ নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎ মে ৩দা লুহোংগদবনি। চীংলেন্বী কুকি নিঙোলনি। লুহোংবা নুমিত্তা চীংলেন্বীগী মনাওনুপা চুংকাই পিছ রেল্লি চৎকনি হায়দুনা লুহোংবা লাকখিদে। লুহোংবগী ঈশৈ হৌরে। লম্বীদা বোর লাক্লে, পিছ রেল্লি হৌরে। রেল্লি অদু ভাইওলেন্স য়াওরে, য়ূম মৈ থারে। বোর কাঙবু খুৎলাই পায়বশিংনা ফাখ্রে। কৈন্যাগী য়ূম মৈ চাকপদা য়াওখ্রে। রিলিফ কেম্পতা লৈরে। বোর মফম খঙখিদ্রে, হল্লকখিদ্রে। মশীং খঙদ্রবা থৱায় কয়া মাঙখ্রে। মীকপ-মীরাওখোলনা নীলখ্রে। লান খাম্বীনবা থোরকখিদ্রে। মীয়ামদি ককঙাওনরি। লীলা অসিনা ৱাথোকসিগী খোঙ্গুল লীরি। মীয়ামদা পাউ তল্লি। পুনশিলহৌদ্রবা মীয়ামগী পুনশিন্নবা থম্মোয় থীবনি, য়েক্লবা মশক তাকপনি। মরুপ কনানো খঙমিন্নবনি। লীলা অসিগী দিরেক্তর সঙ্গিট নাটক একাদেমী এৱার্দী শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোরকপদা, লীলা অসি লৈবাকসি কন্নবা হোৎনবনি। লীলানা লৈবাকসি মতম-মতমগী কাইথরকপা অহো-অরাক লৈরকপা মতমদা মেনশিন্নবা হোৎনবনি। হৌজিক থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিদা করিগুম্বা খরদি ঐখোয় তৌবা চুমগনি খন্দুনা লীলাসি পুথোকপনি। লীলাসি হয়েং সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রেস সো উৎলগা ময়ামগী কম্মেন্ট লৌদুনা অমুক হন্না শেমদোক-শেমজিন তৌবগী মতম লৌগনি। মদুগী মতুংদা মখা তানা অমুক মীয়ামদা উৎনবগী মতমদি তপ্পা সিচ্যুএসন অসি য়েংলবা মতুংদা লেপকনি হায়রি। লীলা অসিগী কন্সল্টেন্ট ওইনা থৌদাং লৌরিবশিংনা এল তোম্বা, ইবোয়াইমা খুমন, হিয়াং লুখোই, হৱাইবম বুধি, কে দেবান অসিনচিংবনি। অদুগা লীলা অসিদা নুপা শক্তম লাংলিবশিংদি ইবোয়াইমা খুমন, হিয়াং লুখোই, শৌগ্রাকপম হেমন্ত, এল তোম্বা, য়ুম্নাম নিলচন্দ্র, সুর অথোকপম, ওকেন থৌদাম, এল দয়ানন্দ, সন্তোশ অথোকপম, সী ঐচ সৈত্য হায়রিবশিংসিনি। নুপী শক্তম লাংলিবশিংদি আর কে সনাতোন, থোঙাম হেরামোতি, এল নরেশ, জগদিশ হিজম, ওইনাম অরুন, টি ঐচ সুরচান্দ, সেঞ্জম দিপসন, হুইরেম বিসেশ হায়রিবশিং অসিনি। লীলা অসিগী ম্যুজিক দিরেক্তরনা জিতেন কুমার নাওরেমনি। লীলা অসিগী খুৎলাম্থোক দিরেক্তরগী ক্রিএটিভিটিনচিংবা লীলা য়েংলবা মতুংদা মপুং ফাবা পাউদম মীয়ামদা অমুক থমজরক্নে।

হেমচান্দ নিংথৌজম

ৱাহিক হাৎনবনি হায়দুনা লৌবুক্তা খৈনি কাপ্পা !

(The Science Behind It)

ডা: এম থোইথোই সিংহ, ক্রোপ সোল্যুসন্স

লৌফমদা তীল তাবদা শীজিন্নবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা খৈনি মখল অমা

চহী কুনমুক্কী মমাঙদগী লৌফমদা ময়াম্না ৱাহিক হায়না খঙনবা হোপ্পরশিং লাকশিন্নবা মখল কয়াগী হিদাক কাপ্লে। হান্নদি তীল মখলশিংসি লৌফমদা কা হেন্না অকায়বা পীরমদে, মাইনর পেষ্ট ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি খ্বাইদগী হেন্না থেংনবা ৱাবা তীল মখল, মেজর পেষ্ট হায়বদু ওইরে।

ফৌ মনা অমসুং ফৌখোক মহি চুপ্পী তীলশিং (হোপ্পরস) : লিফ হোপ্পর অমসুং প্লান্ট হোপ্পর হায়না খঙনবা তীলকুপশিংনা শাহৌ ফনা হৌগৎলক্লিবা ফৌ পাম্বীশিংগী মনা অমসুং ফৌখোক্তগী মহি চুপথোকই। ফৌ পাম্বীগী মহি চুপথোকখিবনা ফৌনাগী মতোন্থংবা শরুক্তগী ঙাঙশিল্লকই, কংশিল্লকই। তীলনা অসিনা লাকশিল্লবা ফৈদোমশিংদু থাপ্লপ্লা য়েংবদা য়াঙ্কোকমুক পাক্লা নৎত্রগা খরা হেন্না চাউনা ফৌরামুক পাক্লা ঙাঙলপ তৌনা খরা নেমশিন্না লৈবা শরুকশিং উগানি। মখোঙ য়ৌনা চঙশিন্দুনা য়েংবদা ৱাইকুপ মানবা তীলকুপ (হ্বাইট বেক প্লান্ট হোপ্পর), অশংবা তীলকুপ (গ্রীন লিফ হোপ্পর) অমসুং মশাদা থেক্কোই নাকোই লাংবা তীলকুপ (জীগ-জাগ লিফ হোপ্পর) নচিংবা থেংনৈ। অদুবু খরা হেন্না তোয়না থেংনবা তীলদি ফৌখোক চুপ্পী ব্রাউন প্লান্ট হোপ্পরশিংনি।

মখল খেন্নবগী মতুংইন্না তীলশিং অসি মিলিমিটর অনীদগী ৫.৩ মুক্তা শাংই। পীকচরবসু ফৌ পাম্বীগী মহি চুপথোক্তুনা ফৌগী পোথোক হন্থহনবতা নত্তনা পাম্বীবুসু হাৎপা ঙম্মী। লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা তীলনা মখল অসিদি হিদাক ফনা কাপ্লবসু ফগন্দে, হিদাক মখল অহুম মরিরক হন্না কাপ্পী হায়নবা কয়াসু লৈ। কান্নবা ফংদ্রিবা অসি শীজিন্নগদবা হিদাক মখল খেন্নবা অমসুং হিদাক কাপ্পগী মওংদা অশোয়বা লৈবদগীনি।

হোপ্পর্স (ৱাহিক) তাবা হন্থনবগী তঙাইফদবা খরা :

১) লৌফমদা হার চপ চাবা চাংদা হাপ্পা (হেলহন্দবা)

২) লন্না লীঙবা। পাম্ফেল ওইরবসু শঙমদা ফৌদি কিলোগ্রাম ১২দগী হেলহন্দবা।

৩) ফৌরক লম্বী (ক্রোপ এল্লে) হাপ্পা, হায়বদি ফিট ১০ খুদিংগী খা-ৱাং ওইনা ফিট অমা মখায় পাকপা খোঙ লম্বী লৈহনবা। মসিনা নুংশা মঙাল চঙহল্লি, তীল তাবা হন্থহনবতা নত্তনা হিদাক কাপ্পা, হার চাইবনচিংবা কলচরেল ওপরেসন খুদিংদা য়াম্না নুংঙাইহল্লি। ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।

৪) তীল তাবা হৌরক্লনি হায়না চিংনবা হেক লৈবগা Neem Oil (3000 ppm গী মথক ওইবা) মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হিদাক মিলিলিটর ৪০০-৫০০ ফাওবা (পাম্বী ৱাংবা খেন্নবগী মতুংইন্না) কাপথোক্কনি। নুমিৎ ৭-১০ ফাওবা লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

৫) কেমিকেল ওইনা শীজিন্নবা পাম্লগসু Pymetrozine 50% WG. গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হিদাকসি গ্রাম ১২০ শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লৌরিসু কাপ্পা কোন্নরনি।



Brown Plant Hopper

৬) ওর্গেনিক ওইবা শীজিন্নবা য়াবা হিদাক অমনা Spinosad 45% শীজিন্নবা য়াই। মসি লৈবাক্তা লৈবা এক্টিনোমাইসিটিস Saccharopolyspora spinosa বু ফর্মেন্টেসন তৌরগা লৌবনি, ওর্গেনিক ওই। হিদাকসি মিলিলিটর মরি ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি। শঙমদা হিদাক মিলিলিটর ২০ চঙগনি। পাম্বী চাউরগদি খরা হেনগনি।

৭) লৌ খাওখ্রবা মতুংদা কালেন্থা নংনবা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা লৈবাক নুংশা চাহনবা ফৈ। মসিনা তীলনা মখলসিদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লায়না তীলনা কয়া অমসু তাবগী চাং হন্থহল্লি।

৮) মনাকনক্লা নাপী শোংহন্দবা, লৈরম্বা নাপী, মোংশোং লৌথোক্তুনা তরু-তানান থম্বনা তীলশিংগী শাইদাংফম লৈহন্দে।

লৌফমদা হোপ্পরশিং হাৎনবা খৈনি কাপ্পরিবসিদা ৱাফম অমা : মীওইবনা হকচাং শোক্তনবা ওর্গেনিক ওইবা লৌ হিদাক শীজিন্নবা পাম্লে। লৌফমদা কাপ্পরিবা ওর্গেনিক ওইবা হিদাকশিংবু হৌরকফমগী মতুংইন্না অহুম থোক্লা খায়দোকই।

১) পাম্বী অমসুং পাম্বীগী পোথোকমক্তগী লৌথোরকপা হিদাক (বোটানিকেলস) খুদম- নিম, নিকোটিন (হিদাকমনাদগী লৌবা)।

২) হিংকুপশিং নৎত্রগা মখোয়গী জিনশিং নৎত্রগা মখোয়দগী থাদোরকপা মেটাবোলাইটশিংনা শেম্বা হিদাক (মাইক্রোবিএল নৎত্রগা বাইওপেষ্টিসাইদস) খুদম- Spinosad. Bacillus thuringiensis.

৩) মহৌশানা লৈজরল্লবা মিনরেলশিংদগী শেম্বা হিদাকশিং (ইনওর্গেনিক্স), সিন্থেটিক কেমিকেল নত্তবা।

ঙসিদি ৱাহিক লাকশিন্নবা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং পুথোক্লরকপদা খৈনিসু শীজিন্নরে। খৈনি ঙাক্তা ঈশিংদা য়াল্লগা কাপ্পসু য়াওই, হিদাক্তা (কেমিকেল) য়ানশিল্লগা কাপ্পসু য়াওই। মসিদি খ্বাইদগী হেন্না চুমদবা অমনি। খৈনিদা তীল হাৎপগী মগুণ য়াওরিবসি মঙোন্দা য়াওবা Nocotine দুনা পাঙথোক্লিবা থবক্লি। ঙল্লিঙৈ মতম অমদদি Nicotine সি লৌউ-শিংউদা তীল হাৎপদা শীজিন্নরম্মী। বোটানিকেলসকী মনুং চল্লি, ওর্গেনিক ওই। অদু ওইরবসু মসিগী অতোপ্পা খুদোংচাদবা ময়াম অমা লৈবদা নত্তনা হাৎহন্নিংদবা জিব কয়া অমা হাৎপদুনা মরম ওইরগা অথিংবা থমখি। অকোয়বগী ফীভমদসু অকায়বা পী। শীজিন্নবা য়াদ্রে। শীজিন্নররোইসি। Law বু ঈকায় খুম্নসি।

ꯋꯥꯍꯤꯛ ꯍꯥꯠꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯕꯨꯛꯇꯥ ꯈꯣꯏꯅꯤ ꯀꯥꯞꯄꯥ

(The Science Behind It)

ꯗꯥ. ꯑꯦꯝ ꯊꯣꯏꯊꯣꯏ ꯁꯤꯡꯍ, ꯀ꯭ꯔꯣꯞ ꯁꯣꯂ꯭ꯌꯨꯁꯟꯁ

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৯।২০২৪ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ৬.১৩ ফাওবা লাংবনগী ১২নি পাল্লি, মতুংদি ১৩ নি পাল্লনি।

মেষ: ৱাখল লৈনা পাঙনিংবা থবক পাঙগনি, লেঙদবা লনসু হান্নগুম চাওখৎকনি। অঙম্বনা চাল্লি, লৌশিং চাউই। য়েক্লবনদি কল্লক্কনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: লৌশিং চাউরবসু ৱাখল থোক্তবনা তৌফম খঙলোই। মরুপ-মপাং লোয়নৌ, মায়থীবা লৈরোই। অরাপ্পা চৎপা থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

মিথুন: পূক্লিং লৈতাদ্রবদি নরল ময়েং তাগনি। মী পুল্লগা নুংঙাইজবা, অরুবা ৱারেপসু লায়না লৌবা ঙমজবা নুমিৎনি, তাঞ্জা মাঙহল্লনু।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: হকচাং নুংঙাই, নীংজবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা হেন্না চাওখৎকনি, মাঙজৌননা খন্নদনা অরুবা থবক পাঙবদি লুগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

সিংহ: মীৱা পঙথা থাজরুনু, করিসু কান্নরোই। পাঙগে খল্লকপা থবক্তা অতোনবনা য়েৎকনি। খন্থরগা পাঙবদি মায় শোয়দনা পাক্কনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: মীয়াম্না পাম্নবা, নরল চাওখৎপা, লাই-গুরুনা চানবীগদবা নুমিৎনি। অশা চাউবদি মতম মাঙদুনা তোক্কনি, নোল্লুক্তুবদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

তুলা: লাইবক ফবা নৎত্রগা থিবগী ৱা লৈতে, নীংহন্নগনু, হান্নগুম থৌনা ফুদোক্লা হোৎনবা খুদিং মায় পাক্কনি। মীচঙ খোম্বদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: অরিবা য়েৎনবা, মরুপ-মপাংগা মরী ফৎত্রবসু লাই-গুরুনদি য়াম্না চানগনি। ওইজ-ওইথক তানবদা খৃৎচাউ থাহৌরো। ফিংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: য়েক্লববু ঙমজগনি, মীয়ামগা মরী হান্নদৈ হেন্না ফগনি, মখোয়গী মতেংনা পাংঙমদবা পাঙবা য়াগনি, মহু চাউবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফৈ
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: মীকোক থোংবা অমদি নাইতোম ৱা তুপ্পমক্তি ৱাগনি। অদুবু নীংবদি থুংগনি, ওইজ-ওইথক তানবদি খৃৎচাও থাবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

কুম্ভ: অরং-অরাক চেকশিল্লু, মরম চাদনা অশা চাউরুনু, মীচঙ তাঙগনি। অরুবা থবক পাঙদবনা ফৈ, তঙাইফদ্রবদি মরুপ-মপাং লোয়নৌ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মীন: নচাক-নরলগী লমদা ৱাখল নুংঙাইগনি। ইমুং-মনুং নৎত্রবসু মরুপ-মপাংগী মতেংনা থৌ পাঙগনি। ঙাইঙমদ্রবদি খুদোংচাবা মাঙখিনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।